
# কুমজা ২০২০ গী ওস্কার বেষ্ট এক্টর ফংখ্রবা Joaquin Phoenix


- নানি



কুমসি কুমগী ওইনা মালেমগী থাক্তগী পীবা ওস্কার বেষ্ট এক্টরগী মনা ফংখ্রবা Joaquin Rafael Phoenix মমাঙদা এৱার্দ অমদি নোমিনেসন কয়া ফংখ্রবা থোইদোক্লা মালেমগী ফিল্মগী পুৱারীদা মমিং থম্বা ঙল্লিবা এক্টর অমনি। গ্রেমি এৱার্দ অমা অমদি গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ অনী অমসু ফংখ্রবা এক্টরনি। অমেরিকান এক্টর অসি কুমজা ১৯৭৪গী ওক্টোবর ২৮দা San Juan, Puerto Rico দা পোকখি। মহাক্কী মচিন-মনাও মঙা নুপা অনী অদুগা নুপী অহুমনি। মদুগী মনুংদা মহাক্না অহুমশুবনি। Joaquin পোকপদগী হৌনা মহাক্কী মচিনবান্দা হেক য়েংবদা উবা ফংবা দাকফম অমগা লোয়ননা পোক্লকখি। মদু Celft Lip হায়বা অদুমক্তি নত্তে। মদুনসু মহাকপু অনৌবা লুক অমা ওইনা য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইবা অমা ফাওহনবা ঙম্মী। মচিন মনাওশিংগী মমিংসি তাবদা থোইদোক্লা অঙকপা অমদি নুংঙাইবা ফাওই। মহাক্কী ময়াম্বগী মমিংদি – River Phoenix কৌই। অদুগা মচেগী মমিংনা – Summer Phoenix অমদি মচনশিংগী মমিংনা - Rain Phoenix , Liberty Phoenix কৌই। তশেংবগীদি Joaquin গী মমিংসু Leaf Phoenix হায়না খঙনবনি। লোয়ননা মখোয়গী মচিন মনাওশিংসু অয়াম্বনা এক্টর ঙাক্তনি। Joaquin গী অপোকপা মপা John Lee Bottom California দগীনি। অদুগা মমা Arlyn না ন্যু য়োর্কতা পোকপনি। কোন্না কালিফোর্নিয়াদা ময়ূম হোংলকখিবনি। মমাগা মপাগা অনী অসি কুমজা ১৯৬৯দা লুহোংলবা মতুংদা চিলড্রেন ওফ গোদ হায়বা লাইনীংগা মরী লৈননা লূপ অমদা য়াওরবা মতুংদা সাউথ অফ্রিকাদা মতম কয়া লৈখি। কুমজা ১৯৭৭তা religious cult অদু থাদোক্লগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা অমুক হল্লকখিবনি। মখোয়গী মমিংগী অরোইবদা Phoenix হায়না থোল্লিবা অসিগী মরমদি মখোয়গী পুন্সি অসি কোয়না অমদগী অমদা চত্তুনা পুন্সিগী শিন্থা পাঙথোকখিবা অসিনা মরম ওইরগা myth bird অমা ওইরিবা Phoenix হায়বা অসিগী মমিং অসি লৌদুনা থোনখিবনি। Joaquin না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ময়াম্বা River অমদি মচে Summer গী মতুং ইন্দুনা টেলিভিজনগী সেরিজ ড্রামা অমদগী হৌনা এক্টিং তৌবা হৌরকখি। মহাক্কী ময়াম্বা River Phoenix য়াম্না মমিং লৈবা এক্টরনি। কুমজা ২০০০ অসি মখোয়গীদি য়াম্না মায় পাকপা কুম অমা ওইখি। হৌজিক ফাওবগী ৱারীদা ওস্কার বেষ্ট সপ্পোটিং এৱার্দকীদমক River অমদি Joaquin মচিন মনাও অনীমক তোঙান তোঙানবা ফিল্মদা নোমিনেসন ফংখি। মসি কনাগুম্বা অমত্তদা থোক্ত্রিবা য়াম্না অঙকপা অমদি নুংঙাইবা পাউ অমা ওইনা একাদেমিগী হিষ্ট্রিদা লেঙদনা লৈরি। অদুবু ঙসিদি মহাক্কী ময়াম্বা অসি লৈখিদ্রে।

মহাক্কী অচৌবা রোল ওইনা ফিল্মদা লাকখিবদি **Space Camp (1986)** হায়বা অসিখক্তদগীনি। মতম অসি ফাওবদা মহাক্কী মমিং অসি Leaf Phoenix হায়না কাষ্টিং থাবদা শীজিন্নখি। মসিগী মতুংদগীদি মহাক্কী মমিং অসিসু Joaquin Phoenix হায়না ওনখিবনি। Joaquin গী মমিং লৈবা হৌরকখিবা ফিল্মশিংদি -**To die for (1995)** অমদি **Quills (2000)** হায়বা অসিদগী হৌরক্লে। অদুগা খ্বাইদগী মীয়াম্না পাম্না খঙনরকখিবদি **Gladiator (2000)** হায়বা অসিদগীনি। ফিল্ম অসিমক মালেমগী ওইবা অচৌ অচৌবা ফেষ্টিবেল কয়াদা য়াম্না মায় পাকখিবা অদুগা মহাক মশামক্লসু ফিল্ম অসিদা একাদেমি এৱার্দ বেষ্ট সপ্পোর্টিংগীদমক নোমিনেসন ফংখিবনি। অসিদা নত্তনা Joaquin Cannes film festival award for best actor ফংবা ঙমখ্রে।

Phoenix এক্টর অমা ওইবদগী হেন্দোক্তুনা প্রদ্যুসর অমসু ওইরক্লি। লোয়ননা ম্যুজিক ভিদিও খরদসু দিরেক্সন পীখিবা লৈখ্রে। মহাক্না দিরেক্সন পীখিবা ম্যুজিক এলবম Walk the Line হায়বা অসিদা Grammy Award for Best Compilation soundtract for visual media ফংখি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি Phoenix অসি সোসল এক্টিভিষ্ট অমা ওইনসু য়াম্না মমিং চৎলি। মহাক মরু ওইনা হ্যুমেনিটরিয়ন ওর্গনাইজেসন কয়াগা খূৎশম্ন দুনা অতোন অতাশিং অমদি মীওইবগী থাক অমদা পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা শোন্থরবা কয়াবু মতেং পাংবগী থবক মাঙজিন থানা তৌরি। সাউথ অফ্রিকাগী Soweto হায়বা অদুদা লৈবা স্কুল মহৈরোয়শিংগীদমক The Lunchbox Fund হায়বা অমা লীংখৎতুনা নুমিৎ খুদিংগী মহৈরোয়শিংদা লঞ্চ পীজবগী থবকসু পায়খৎলি। মসিগীদমক মখল কয়াগী পান্বৈ থিদুনা ফন্দ খোমগৎনবা চেরিটি শো কয়া তৌদুনা শেল তাল্লি। য়াম্না হেন্না অমুক নুংঙাইরিবদি এক্টর অসি মীওইবখক্তগী থবক তৌবতা নত্তনা যূমদা লোয়বা শাশিং অমদি লমলক্তা লৈবা শাশিংবু ঙাকপী শেনবীবগী থবকসু য়াম্না কন্না চখ্রি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক অসি এনিমেল রাইটস এদভোকেসি অমা ওইনসু ময়ামনা খঙনৈ। মহাক্না শাশিংবু কনবীনবা, মখোয়বু নুংশিনা লোয়ননবা কেম্পেয়ন কয়া হৌদোক্তুনা লাক্লি। PETA অমদি Defense of Animals হায়বা লূপশিং লীংখৎতুনা শাশিংবু ঙাকপী শেনবীনবা থৌরাং লৌখৎলি। মসিগী য়েংদুনা কুমজা ২০১৯দা PETA's person of the year হায়বা মীংথোল ফাওবা পীখি।





কুমজা ২০১৯দা পুথোরকখিবা জোকর হায়রিবা ফিল্ম অসি 76th Venice International Film Festival দা প্রেমিয়র তৌখিবনি। ফিল্ম অসিনা Joaquin গীদি লাইবক থম্বাল শাৎপা হায়বদু ওইখ্রে। মমাঙদা মরিরক হন্না ওস্কার নোমিনেসন (বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্টরগী মনা অমদি বেষ্ট এক্টরগী মনা অহুম - WALK THE LINE, THE MASTER অমদি GLADIATOR) দা ফংখ্রবসু এৱার্দ ওইনা ওন্থোকপদি ঙমদনা লাকপদু জোকর হায়রিবা ফিল্ম অসিদা মহাকপু একাদেমি এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্টরগী টাইটল ফংবা ঙমখ্রে। ফিল্ম অসিগী রোল অসিমক্তদা BAFTA award for Best actor in a leading role, Golden glove for Best actor in motion picture drama, Critics choice award for best actor অমদি screen actors guild award for outstanding performance by a male actor in a leading role হায়রিবা অসি ফংবা ঙমখি। কুমজা ২০২০ অসিদসু হৌজিক হৌজিক **Guardian of Life** (short film) হায়বা অমদা Surgeon অমগী রোল লৌদুনা শুটিং কন্না চখ্রি। অদুগা অতোপ্পা **Common Common** হায়বা ফিচর ফিল্ম অমসু শুটিং হৌখ্রে।

## - টোমেটো রাইস -

**শেম শাবা মৈদা থোংবগী মওং -**

- বাসমতি চেঙ নৎত্রগা চুম্নগী চেঙ কপ অমা ঈশিংদা চামথোক্লগা পুঙ্খাই অমরোম অমুক তীংগদবনি। ঈশিং চীথোক্লগা চেঙদু তোঙান্না থম্বীয়ু।
- প্রেসর কুকরদা চা চমচ ২ মৈরি নেম্না থারগা শাহল্লগা হঙ্গাম মরূ চমচ ১/২ হাপ্লগা ঙৌবীয়ু। মদুগী মতুংদা মেথী মরূ খরা হাপ্লগা সেকেন্দ খরা ঙৌবীগনি।
- মথংদা তিলহৌ কুপ্না শোইরগা কপ ১/৩, উশিংজা, ইঞ্চি ১/২, ইলাইচি ২ অমসুং লোংপাল ২-৩ হাপচিনগনি।
- তিলহৌ হাইফেৎ মুল্লকপা ফাওবা ওৎলগা ঙৌবীগনি।
- মথংদা শীং-চনম পেষ্ট চমচ ১.৫, মোরোক অতেকপা (অশোইবা) ১, করি মনা ৬-৭ হাপ্পীগনি।
- শীং-চনম অতেকপগী মনম কোক্ত্রিফাওবা ঙৌবীয়ু
- হৌজিক নুংশিদাক মনা অশোইবা টেবল চমচ ১/১ অমসুং ফদিগোম মনা (অশোইবা) কপ ১/৪ হাপচিনবীগনি।
- মিনট ১ রোম মখা তানা ওৎলগা ঙৌগনি।
- কুপ্না শোইরগা খামেন অশিনবা কপ ১ হাপচিনবীগনি। ময়ায় ওইরপ্পদগী খরা চাওবা খামেন অশিনবা ৩ শীজিন্নবীগদবনি।
- হৌজিক য়াইঙং মকুপ চমচ ১/৪, মোরোক মকুপ চমচ ১/২, গুন মোরোম মকুপ চমচ ১/২, ফদিগোম মরূ মকুপ চমচ ১.২ অমসুং জীরা মকুপ চমচ ১ হাপচিনবীগনি অমসুং খামেন অশিনবগা ওৎখাইরগা ঙৌবীগনি।
- খামেন অশিনবা থোৎতোক্লগা চাউথোরক্লবা মতমদা তীংথোক্লবা চেঙদু হাপচিনবীয়ু। চেঙগা খামেন অশিনবগা নীংথিনা ওৎখাইরগা মিনট ১ ঙৌবীগদবনি।
- মথংদা ঈশিং কপ ১.৭৫ হাপ্পীগনি। মখা তানা ঈশিং কপ অনীসু হাপ্তুনা মহি খীত্তং নাইনা থোংবসু য়াই। চাং য়েংলগা থুম হাপ্পীগদবনি।
- ময়ায় ওইরপ্পা মৈরিদা মখম খুমজিল্লগা টোমেটো রাইসকী প্রেসর কুকরদু অনীরক কান্থীয়ু। থোৎতোক্লবা অহুল্লক কান্থীবসু য়াই। মনিল হন্থরবা মতমদা টোমেটো রাইস কোৎথোক্লগা চাবা য়ারে।

## থাজবরা, থাজদবরা? অঙকপনা থল্লবা মালেম




- **কুমজা ১৯৯৮দা সোনি কম্পেনিনা শোয়বদগী ঐখোয়না শেৎলিবা ফি-রোল অসি ফাওরগা উবা ঙম্বা কেমকোদর মখল অমা মশিং ৭০০,০০০ য়োনখি। কেমকোদর অসি নাইট ভিজন ওইনা শীজিন্নবগীদমক ইনফ্রারেদ লাইট হাপ্পনি। অদুবু মসিনা ফি মখল খরবু ফাওরগা উবা য়ারকখিবনি। অশোয়বা অসি খঙলকপদগী য়োনখ্রিবা কেমকোদরশিং অদু লোইনা লৌখৎনবা কৌখৎখি।**
- শেম, আলু অমদি তিলহৌ অসি নাতোন মেনশিল্লগা চারবদি মহাও চপ মান্নে।
- মীওই অমনা মহাক্কী পুন্সিদা খোঙনা চৎপগী চাং অসি মালেম অসিবু মঙারক হন্না কোয়বা য়াবগী চাং য়ৌই।
- কুমজা ২০১১দা য়ু এসতা দিভোর্স তৌবগী এপ্লিকেসন থারকখিবশিংগী অহুম থোকপগী অমা হেনবদি 'ফেসবুক' হায়বা ৱাহৈ অসি য়াওই।
- মীৎকী পিদা নেচরেল প্যেন কিল্লর অমা য়াওই, মসিনা চীকপা নাবা হন্থহল্লি অমদি মুদ ইম্প্রুভ তৌহল্লি। মরম অদুননি কপ্লুরবা মতুংদা ৱাখলদা য়াম্না য়াংবা অমা ফাওরিবা অসি।
- খৈরোয়শিংনা মখোয়গী নটশিং কদায়দা লোৎপগে হায়বদু তঙ্খায় অমদি কাউই।
- চহী অমদা উচেক মিল্লিয়ন কয়ামরুম থোংনাউগী গ্লাসতা থোমজিল্লগা শি।

## সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি

## নেসনল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসনগী অনৌবা প্রোগ্রামগী ওইনা মার্স রোভরগী মমিং পর্সিবরেন্স হায়না মীংথোল্লগনি



য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী স্পেস এজেন্সী অমা ওইরিবা নেসনল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন (নাসা)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা মার্স প্লানেটতা নৌনা থাগৎকদৌরিবা প্রোজেক্ট অদুগী মমিং পর্সিবরেন্স হায়না মীংথোল্লগনি হায়রি।

নাসাগী মায়কৈদগী মমাঙদা পায়খৎখিবা প্রোজেক্টশিং অদুগী মখা তারকপদা নৌনা চহী অসিগী ময়াই চনশিল্লকপদা মার্স প্লানেটতা হান্না লৈরম্বা প্রোজেক্টকী মমিং অদু হোংদোক্লুনা 'মার্স রোভর'বু পর্সিবরেন্স রোভর হায়না মিংথোল্লগনি হায়রি।

মমিং অসি য়ু এস এগী তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অমদা মহৈরোয় ২৮,০০০গী মায়কৈদগী পীরকপা মমিংশিং অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা মমিং অদু লৌরগা থোনখিবনি হায়রি।

পর্সিবরেন্স রোভরনা মার্স প্লানেটতা য়ৌরুরবা মতুং প্লানেট অদুগী লৈমায়দা লৈরিবা লৈহাওগী শেম্পলশিং পুরগা পৃথিবীদা য়ৌহন্দুনা থিজিন হুমজিনবগী থবক কয়া অমা চথুগদৌরিবনি।

সাইন্টিষ্টশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা পর্সিবরেন্স রোভর হায়না মিংথোনবা মার্স ২০২০ প্রোজেক্ট অসিনা মমাঙদা লৈখিবা প্রোজেক্টশিংদগী অহেনবা অমদি অনৌবা ইনফোর্মেসন কয়া অমা লৌখৎনবা হোৎনগদৌরি। মদুদা মার্স প্লানেটতা জিবা পানবা লৈরম্ব্রা হায়বগী অয়াম্না চাওনা হংনরিবা ৱাহংশিং অদুগী পাউখুম ফঙননবা হোৎনগদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি, য়ুরোপ কোন্তিনেন্টকী মায়কৈদগী থাগৎখিবা মার্স রোভরনা মতম য়ামশিল্লকপগা মরী লৈননা সেটলাইট অদু শেম শাবগী তঙাইফদবা লাক্লি। অদুবু হায়রিবা সেটলাইট অমা শেম শাবগী থবক লাক্লবসু য়ু এস এগী মায়কৈদগী চহী অসিগী ময়াই চনশিল্লকপদা নৌহৌননা মার্স রোভরগা মান্নবা অনৌবা সেটলাট অমা থাগৎননবা শেম শারিবনি। পর্সিবরেন্স রোভর অসি য়ু এস এগী ফ্লোরিদাদা লৈবা নাসাগী কেনেদি স্পেস সেন্টরদগী চহী অসিগী জুলাই ১৭তগীনা ওগষ্ট ৫ ফাওবগী মনুংদা লোঞ্চ তৌগনি হায়না শেম শারি।

## চিঞ্জাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাকনি - করম্বা চীঞ্জাকশিংনা ইম্ম্যুন সিষ্টেম কনখৎহনবগে



ইম্ম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কন্না থল্লবদি হকচাংদা লায়না কয়ানা শোকহনগদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। হৌজিক হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা পাকতক্লনা শন্দোক্লিবা মীয়াম্না কিনরবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসিসু ইম্ম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কনবা মীওইশিংগী মফমদদি করিসু শোকহনবা ঙমদে।

ইম্ম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কন্না থম্বদা চীঞ্জাক্লা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌই। অসিগুম্বা ইম্ম্যুন সিষ্টেম কনখৎহনবদা মতেং পাংবা চীঞ্জাক খরা মখাদা পীরি।

**সাইট্রস ফ্রুট:** মীওই অয়াম্বনা লোক খুলাই তৌরুরবা মতুংদা ভিটামিন সী চানরি। মসি ইম্ম্যুন সিষ্টেম কনখৎহনবদা মতেং পাংবগীনি। ভিটামিন সীনা হ্বাইট ব্লদ সেলশিং পুথোকপগী চাং হেনগৎহল্লি। হ্বাইট ব্লদ সেলশিংনা হকচাংদা ইনফেক্সন তৌবদগী ঙাকথোকই। হায়রিবা ভিটামিন সী অসি সাইট্রস ফ্রুটশিংদা মরাঙ কায়না য়াওই। মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নবা সাইট্রস ফ্রুটশিংগী মনুংদা কোম্লা, হৈথুম, চমপ্রানচিংবা য়াওরি।

**মোরোক:** মোরোকতসু ভিটামিন সী মরাঙ কায়না য়াওই। মসিগীসু মথক্তা বেটা কেরোটিনসু য়াওই। বেটা কেরোটিন অসিনা উনশা অমদি মীৎ ফনা থম্বদা মতেং পাংই।

**ব্রোকোলি:** ব্রোকোলি অসি ভিটামিন অমদি মিনরেল মখল কয়া থন্না য়াওই। ভিটামিন এ, সী অমদি ঈ, লোয়ননা অতৈ এন্টিওক্সিদেন্টশিং অমদি ফাইবর য়াওবা মরম্না ব্রোকোলি অসি হকচাংদা খ্বাইদগী কান্নবা মনা-মশিংশিংগী মনুংদা অমা ওইরি।

**চনম:** চনম অসি মালেমগী মফম কয়াদা খ্বাইদগী পাম্না চানবা চীঞ্জাকশিংগী মনুংদা অমনি। চনম চাবনা ইম্ম্যুন সিষ্টেম কনহল্লিবা অসি এল্লিসিনগুম্বা সল্ফর য়াওবা কম্পাউন্দশিং চাং ৱাংনা য়াওবননি হায়না থাজনরি।

**শিং:** হকচাং ঙল্লক্তবা মতমদা খ্বাইদগী তোয়না নীংশিংনবা পোৎলমশিংগী মনুংদা শিং অসিসু অমনি। শিংনা ইনফ্লেমেসন হন্থহনবদা মতেং পাংই। মসিনা খৌনাউ নুংঙাইতবা, চাথৎপা, অমদি ওনিংবসু হন্থহল্লি।

**পালংশা:** পালংশা অসিসু ভিটামিন সী মরাং কায়না য়াওই। মসিখক্তং নত্তনা এন্টিওক্সিদেন্ট মখল কয়া অমদি বেটা কেরোটিনসু য়াওই, মসিনা ইম্ম্যুন সিষ্টেমগী ইনফেক্সন ফহনবা ঙম্বগী মপাঙ্গল অদু কনখৎহল্লি। পালংশা অসি থোংবা মতমদা য়ারিবমখৈ য়ামদনা থোংবনা কান্নবা ফংবগী চাং হেল্লি।

**য়োগর্ট:** য়োগর্টতা ভিটামিন দি চাং ৱাংনা য়াওই। ভিটামিন দিনা ইম্ম্যুন সিষ্টেম রেগ্যুলেট তৌবদা মতেং পাংই অমদি হকচাংনা লায়না-তিলনাশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল কনখৎহল্লি।

মথক্তা পল্লিবশিং অসিখক্তং নত্তনা অল্মোন্দ, য়াইঙং, গ্রীন টি, অৱাথবী, কিৱি, চিকন শুপ, নুমিৎলৈ মরু অসিনচিংবা কয়াসু ইম্ম্যুন সিষ্টেম কনখৎহনবা চীঞ্জাকশিংনি। অল্মোন্দদা ভিটামিন ঈ মরাং কায়না য়াওই। য়াইঙং অসি ওষ্টিওআর্থ্রাইটিস অমদি র‍্যুমেটিক আর্থ্রাইটিস লায়েংবদা এন্টি-ইনফ্লেমেটরি অমা ওইনা চহী কয়াগী মমাঙদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি। গ্রিন টিদা এন্টিওক্সিদেন্ট মরাঙ কায়না য়াওই। অৱাথবীদা ভিটামিন সীখক নত্তনা, ভিটামিন বি, পোটাসিয়ম, ফোলেট অমদি পেপেইন কৌবা এন্টি-ইনফ্লেমেটরি ইফেক্ট লৈবা দাইজেষ্টিব ইঞ্জাইম অমা য়াওই।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৮।০৩।২০২০ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৬.৩২ ফাওবা লমতাগী ১৩ নি পাল্লি, মতুং ১৪ নি পানগনি।

**মেষ :** পাইরক্কী লৌশিং চাউবনা ইচং থৌনা মাঙলোমদা চঙশিল্লু-লন ফংগনি অমদি মীংচৎ ফংগনি। শঙ্গ চাউরদি মতম মাঙহনগনি। ঙাঙ-শকপা হৈগনি-ইজৎ ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা, লেংদবা লন হেনগৎপা অমদি পোরম য়াৎপা হৈবনা থৌ পাংবা ওইগনি। নথক থোংবনা খুৱৌ থাংবা খরদি পীগনি -খাংউ।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকাই খুম্নবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** অয়েৎপা চেনবা লৌশিং থোকপা ৱাৎপা অমদি নচাক নরলদা শকখঙদবনা তাথীবা লৈরবসু লাইবক ফবনা মীচং লৈগনি, শেল ফংগনি, মীনা লোয়ননিংই।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** মীংচৎ ফংগনি, থবক পাংগনি অমদি থৌনা ফুদোকপা য়াগনি। অদুবু নীংবা খুদিংদি ওইরোই অদুনা অখঙ অহৈগী ৱা তারগা অনৌবা থৌরম পাংবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**সিংহ :** হরাওবা নুংঙাইবা, লাইবক ফবা অমদি থেংলপ্পা য়েৎনরম্বা কোকচবা লৈগনি। মরুপ-মপাংনা ৱারৌবা অমদি ৱাঙাঙ হৈত্রদি ৱা-কাইবা য়াবসু লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্যা :** লাইবক ফবা ৱাৎপা, পাউ নুংঙাইতবা অমদি শেল-থুম খরা পনবা লৈরবসু হকচাংদি নুংঙাইগনি, মীংচৎ ফংগনি,অরং-অরাক ফংবগুম চাওখৎপা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা থাজরুনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**তুলা :** মীচং ফংবা, লল্লোন ইতিক কান্নবা, ৱাখল থোকপা অমদি নীংজবা মপা চাগনি। মীনা ইনশিনবা লৌরদি অমদি ঈরাং পুরবদি কাইনবা অমদি নুংঙাইতবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**বৃশ্চিক :** লাই গুরুনা চাল্লনি, শেন্দোং তানবা থবক্তা চাউনা মায় পাক্কনি অমদি লাইবক ফবা খরসু লৈগনি। অদুবু অনম তানগনু অমদি মীয়াম্না য়ানবা চৎপা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** খোইরাং-খোইশাওবা ফাথৌ, য়েৎনরুনু অমদি পূক্লিং হেন্না ৱাহনগনু। চোপ্পা য়াবদৈ কোকচবা অমদি খন্থরগা ঙাঙথোকপদা মীয়াম্না থাগৎপিবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর:** খুৱৌথাংবা, অমদি নক্লবনা লৌথোকপীবা লৈরবসু অমদি লাইবক ফবা খরা ৱাৎলসু পাউ নুংঙাইবদি তাগনি, লম চৎপা/অরাপ্পা মীগা লোয়নবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থাজদনা নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি অমদি লল্লোন ইতিক্তা চাউনা কান্নগনি। মীয়াম্না চানবীবা ঙসিসু লৈগনি অমদি অঙম্বনা চানবী। নাইতোম ৱারেপতি লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** মায় পাক্কনি, শেল-থুমগী লম্দা কান্নগনি অমদি নচাক নরল চংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। মরুপ অমদি মীংচৎ ফংগনি। পাইরক্কী লৌশিংদি শোনগনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।